হুইয়েন লানপাউ (Meetei Mayek)

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ০৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৬৩শুবা মশীং

# লোক অদালট

## মীপূম তিংনা খঙহনগদবনি

'লোক অদালট' ৱাহৈ অনীসি মীতৈলোল নত্তে। অদুবু মসিগী ৱাহন্থোক্তি মীয়ামগী ৱায়েলশঙ নৎত্রগা পিপলস কোর্ট হায়বনি। লৈবাকসিদা লোক অদালটকী থৌদাং নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) না লৌই। অদুগা ষ্টেটসিদনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) অমসুং ষ্টেটসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) শিংনা লৌই। অদুগা মণিপুরদসু চহী খরগী মমাঙদগী লোক অদালটশিং ষ্টেটসিগী দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিগী অকনবা চৈথেং মায়োক্নরিঙৈ মতমদা ফাওবা লোক অদালট অসি ওনলাইনদা পাঙথোকই। মসিগী কান্নবসু ওন্থোক্না য়ামখ্রে। লৈরিবা ৱায়েলশঙশিংগুম্না লোক অদালটনসু মখল কয়াগী পেন্দিং কেসশিংদগী হেন্দোরক্তুনা প্রি-লিটিগেসন মেট্টরশিং ফাওবগী সোল্যুসন পুরক্তুনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্মী। করিগুম্বা লোক অদালটনা লেইশিন্নখ্রবা মেট্টর অমগী মতাংদা অতোপ্পা লোগী ফোরম অমদা চৎলুবগী অয়াবা লৈতে। ক্রিমিনেল কম্পাউন্দেবল অমসুং দাইভোর্সনচিংবা মেট্টরশিং নত্তনা অতৈ কেসশিংদি লোক অদালটনা এমিকেবল সোল্যুসন অমা পুরকপা ঙম্মী। অদুগা মসিনা কান্নহল্লিবনা কেস অমগী ওপোজিট পার্টিশিং হকথেংননা উনদুনা মেট্টর অদুগী মতাংদা তরেৎ-তরা থোক্না খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। পার্টি অনীমক্না মখোয়গী মেট্টরদুগী ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনরকপদা মখোয়গী মহুৎ শিনবীগদবা কাউন্সেল অমা নেক্নুবগী মথৌ তাহন্দে। লো কোর্ট অমদা চঙবা মতম অমসুং শেলশিং চংহন্দবা য়াই। কেস অমা থেংনরি, শোক্নরি হায়বগী ইশাগা লোয়নবা ৱাখলশিং কোকহনবা ঙম্মী।

হৌজিকসু পরিং নাইনা অমসুং থেঙ্খাং নাইনা লোক অদালটশিং চত্থরকপগী মখা তারকপদা চৎলিবা সেপ্টেম্বর থাসিগী ১১দসু মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মসলসানা নালসাগী মিৎয়েং মখাদা দি এল এস এশিংগা খূৎশম্ন দুনা লোক অদালটশিং পাঙথোক্কদৌরি। হৌজিক মসিগীদমক মসলসাগী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে। অদুবু চহী খরগী মমাঙদা অহানবা হৌদোরকখিবদা মরী লৈনবা মসিগী প্রেসাইদিং ওফিসর, মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং অমসুং কেসকা মরী লৈনবা পার্টিশিং খক্তুনা খঙলম্বদগী মীয়ামসু তপ্না তপ্না লোক অদালট হায়বসি করিনো? করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো? অমসুং মসিগী কান্নবনা করিনো হায়বনচিংবগী মতাংদা খঙনবা হৌরক্লবনি। মসিবু মীপূম তিংনা, হেন্না পাকথোক চাওথোক্না খঙহন্নবগীদমক মথৌ তাবা, লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা চুমগনি খল্লি। থবকসি লৌখৎলকপদা তোঙান তোঙানবা কম্পোনেন্টশিং য়াম্না চঙলমগনি। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনা চঙলিবা কম্পোনেন্টশিংদু লোইনা শুনবা পায়খৎপা ঙমদ্রগসু দি এল এস এ পূম্নমক্কী ওইনমক থমদ্রবসু মসলসাগী ওইনা মীদিয়া কো-ওর্দিনেটর হায়ববু ওইরো নৎত্রগা পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর (পি আর ও) হায়ববু ওইরো মীয়ামগা মরু ওইনা কেস পার্টি অমদি প্রি-লিটিগেসন পার্টিশিংগা মসলসাগা, দি এল এস এশিংগী মরক্তা শমজিন্নবা থোং ওইনবা চুনবা দিজিগনেসন অমগী ষ্টাফ অমা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মসিগা ইরোইননা মসলসাগী ওইবা মীদিয়া কম্পোনেন্ট অমা শেম্লগা থম্ফম থোকই। মরমদি লোক অদালটকী মতাংদা মীপূম তিংনা ৱাখল তাহনবদা মীদিয়াগী মরু ওইবা প্লেটফোর্মশিং ওইরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি। ৱাইদ পব্লিসিটিগী থবক তৌগদৌরিবনি। মরমশিং অসিনা হান্না মমাঙথক্তা তৌখিদবা ওইরবসু হন্দক থাসিগী ১১দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক অদালট অসিগী মাঙওইননা মতম লৈরিঙৈদা মীয়ামদা মসিগী মতাংদা হেন্না ময়েক শেংনা অমসুং পাক শন্না খঙহন্নবগীদমক লৌখৎহৌবা য়াবা থবকশিং লৌখৎহন্নীংই। থেঙ্খাং অসিনা 'অলটর্নেটিভ রিদ্রেসেল দিসপ্যুইটস' কী পান্থে অমা ওইরিবা লোক অদালটকী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫

১) ***"রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা"*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) ***"লীশীং অমা শুপ্না মরিফুমরিগী মমা"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি ***"লম্বীসিদা"*** হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো?

৪) ***"ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমম্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।"*** শক্নাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো?

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লূৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা ***"মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম"*** গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# SARS-CoV-2 য়াওনা রেস্পিরেটরি ভাইরসশিংসি মপূং ওইনা এরোসোলশিংনা শন্দোকহল্লি (সেনিটাইজর তোয়না কাপ্পগী মথৌ তারক্তুবা য়ারি)

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**


কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থোকহল্লিবা SARS-CoV-2 ভাইরস য়াওনা, MERS-CoV, ইনফ্লুএঞ্জা মিজলস অমসুং কম্মন কোল্ড থোকহল্লিবা রাইনোভাইরসশিংসি মপূং ওইনা ভাইরসশিংসি য়াওরবা, শোর্ট অমসুং লোং রেঞ্জ অনীমক্তা লৈবা এরোসোলশিংবু শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওখিবদগী ইনফেক্ট তৌরবা মী অমদগী নাদ্রিবা মী অমদা শন্দোকপনি হায়না মালেমগী থাক্তা থিজিনখিবা লূপ অমনা "সাইন্স" (ওগষ্ট ২৭, ২০২১) তা ফোঙদোরক্লি। থিজিনবসিদা ফংলকখিবা মহয় অসিনা করিগুম্বা চুম্লম্বা তারবদি, ঐখোয়না খূৎ-শা, পোৎ-চৈ অমদি খূৎনা য়াম্না তোয়না পায়থোক-পায়শিন তৌরিবা চেগী শেল (নোট) শিংদা সেনিটাইজর কাপ্পগী মথৌ ইতা তাররোই।




হৌখিবা চহী চাদগী লাইচৎ অসিনা শন্দোকপা হৌরকখিবা ফাওবদা মীয়াম্না থাজনখিবদি SARS-CoV-2 য়াওনা রেস্পিরেটরি ভাইরসশিংসি মপূং ওইনা ইনফেক্ট তৌরবা মী অমনা লোক খুবা অমসুং হাকথি খনবদা য়াওরকপা দ্রোপলেট অমসুং ফোমাইট ট্রান্সমিসন্না মরম ওইরগা কোভিদ-১৯বু পাক্তক্না শন্দোরকপনি নৎত্রগা ইন্দোর অমসুং আউটদোর ট্রান্সমিসনশিংদগী করম্বনা হেন্না শন্দোকহনবগে হায়বগী মতাংদা চপ চানা লেপ্পা ঙম্লক্তনা লাকখিবনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ য়াওনা রেস্পিরেটরি ভাইরসশিংসি করম্বা ফেক্টরশিংনা মপূং ওইনা শন্দোকহনবগে হায়বগী লম্‌সিদা টাইৱান, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইজরেলগী থিজিল্লোয়শিংনা থিজিনখিবা কয়াদগী খঙলকখিবনি, এয়রবোর্ন ট্রান্সমিসন অসিনা মপুংনি অদুবু সর্ফেস কন্টেক্টশিং নৎত্রগা অচৌবা দ্রোপলেটশিংগা থেংনবদগী শন্দোকপদি ইয়াও য়াওদে হায়বসিনি।

থিজিনখিবা অসিগী মতুংইন্না, শন্দোকপগী মরু ওইবা মরমদি মীয়াম পূনবা মফমদা পুং অমা নৎত্রগা অমদগী হেন্না লৈরুবা, কাশিংগী ভেন্টিলেসন মতিক চাদবা, ৱারী-ৱাতাই শানবা অমদি মাস্ক কাঙলোন চুম্না উপ্তবা অসিনি হায়রি। এয়র সেমপ্লিং, পোলিমরাইজ চ্যেন রিএক্সন (PCR) - বেজদ অমসুং/নৎত্রগা সেল কলচর ষ্টদিশিং, ইপিদোমিওলোজিকেল এনালিসিস, লেবোরেটরি অমসুং ক্লিনিকেল ষ্টদিশিং অমসুং মোদেলিং ৱার্কনচিংবা কয়াদগীসু ইভিদেন্সশিং খোমজিল্লম্মী। মসিদগীসু কোভিদ-১৯ খক্তা নত্তনা রেস্পিরেটরি দিজিজশিংসি মপং ওইনা এয়রবোর্ন ট্রান্সমিসননি হায়বসি খঙবা ঙমখি। নেসনল সুন য়াট-সেন য়ুনিভর্সিটি, টাইৱানগী এরোসোল সাইন্স রিসর্স সেন্টরগী দিরেক্টর অমসুং এরোসোল ফিজিকেল কেমিষ্ট ওইরিবা Chia C. Wang না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না হৌজিক কনভেনস্নেল পেরাদাইম (paradigm) শিংসি শেমদোকপা অদুগা এরোসোলগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা মীয়াম্বু ট্রান্সমিসন রুটতগী ঙাকথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরে হায়রি।

রেস্পিরেটরি এরোসোলশিংসি শ্বর হোনবা, ৱারী শানবা, ঈশৈ শকপা, লাউ-খোংবা, লোক খুবা অমসুং হাকথি খনবনচিংবা রেস্পিরেটরি এক্টিভিটিশিংদগী শেম্লকই। কোভিদ-১৯ লাক্লিঙৈগী মমাঙদা, এরোসোল (মৈখুগুম্না তাউদুনা লৈবা অদুগা মিটর অমদগী হেন্না লাপ্না পাইখিবা ঙম্বা) অমসুং দ্রোপলেট (মিটর অমা লাপ্না চৎপা ঙমদবা অদুগা লৈবাক্তা তাখিবা) কী 'ত্রেদিস্নেল সাইজ কট-ওফ' অসি মাইক্রোমিটর ৫দা থম্লম্মী। অদুবু হেন্না চুনবা চাওবগী চাং খেন্নবসিদি মাইক্রোমিটর ১০০নি হায়না থিজিন-চেরোলদুদা পল্লি। পলমোনরি ফিজিওলোজিষ্ট ওফ টেক্নিওন, ইজরেলগী Josue Sznitman না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, রেস্পিরেটরি এক্টিভিটিশিংদগী থাদোরক্লিবা এরোসোল অয়াম্বদি মাইক্রোমিটর ৫দগী হেন্না পিকই; অদুনা থবোন্থীগী ব্রোঙ্কিওলর অমসুং অলভিওলর য়ৌনা চঙখিবা ঙম্মী। থিজিনবা অসিদগী মখা তানা খঙলকখিবদি ভাইরসশিংসি মাইক্রোমিটর ৫দগী হেন্না পিকপা এরোসোলশিংদা হেন্না য়াওই হায়বসিনি।




রেস্পিরেটরি ভাইরসশিংগী এয়রবোর্ন ট্রান্সমিসন্দা চংলিবা ফেজশিং

চেকশিন্না লৌগদবা এরোসোলগী তোপ-তোপ্পা মচৎ অমদি মখোয়গী কেপাসিটিসি নুংশিৎ শিৎপগী মওং (এয়রফ্লো) অমসুং ভেন্টিলেসন্না ইথিল পীবা অসিনি। ভেন্টিলেসন মতিক চাহনবা, ফিলট্রেসন অমসুং রিসর্কুলেসন থিংবনা ভাইরস য়াওরবা এরোসোলশিংনা শন্দোক্লকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংই। কার্বন দাইওক্সাইদকী চাংসু পোর্টেবল মিটরশিংগী মতেংনা ওন্দুনা য়েংবনা ভেন্টিলেসন্দু মতিক চারে নৎত্রগা চাদ্রি হায়না লেপথোকপা ঙমহনগনি অদুগা পোর্টেবল HEPA (হায় ইফিসিয়েন্সি পর্টিকুলেট এয়র) পুরিফাইয়রশিং অমসুং অপ্পর রুম UV দিসইনফেক্সন সিষ্টমশিং শীজিন্নবনসু ভাইরসশিংগী লায়নাশিং শন্দোকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলোরাদো, বোলদর (য়ু এস এ) গী এটমোসফরিক এরোসোল কেমিষ্ট, Jose-Luis Jimenez না ফোঙদোক্লি।

থিজিন চেরোল অদুগী মতুংইন্না, "য়ুনিভর্সেল মাস্কিং" হায়বসি কান্নবা অমসুং শেল ইচং-চংদবা ভাইরস য়াওরবা এরোসোলদগী ঙাকথোক্নবা পান্থে অমনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্গকী ভাইরোলোজিষ্ট, Seema S. Lakdawala না হায়, "ঐখোয়না ভেক্সিনেসন, মাস্ক উপ্পা অমসুং ভেন্টিলেসন ফহনবগুম্বা মল্টিপল বেরিয়রশিং পায়খৎপগী মথৌ তাই। নৌনা থোরক্লিবা SARS-CoV-2 ভেরিএন্টশিংনা শন্দোরকপসি থিংনবগীদমক্তদি লাল্লোং অমখক্তনা মতিক চাবা হায়বদু ওইদবগুম তৌই"।

চহীসিগী এপ্রিল অমসুং মে থাদসু ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমসুং য়ু এস সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা ভাইরস য়াওরবা এরোসোলশিং শ্বর হোঞ্জিনবদা য়াওরকপদগী কোভিদ-১৯ শন্দোরকপনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি। অদুনা লাইচৎ অসিবু লোইশিনহনি-খনবগীদমক দেসিজন মেকরশিংনা মীয়াম্বু কাঙলোন চুম্না মাস্ক উপহনবা, য়ূম অমসুং ওফিস মনুংগী ভেন্টিলেসন সিষ্টম ফগৎহনবা, কন্টামিনেটেদ ইন্দোর এয়রবু রিসর্কুলেসন তৌহন্দবা (ভাইরস য়াওরবা এরোসোলশিংনা কা মনুংদা অমুক হন্না চংহন্দবা, মদুগী মহুত্তা ভেন্টিলেসনগী মতেংনা মপান্দা চেন্থোকহনখিবা) অসিনচিংবা এরোসোল প্রিকোস্নরি মিজরশিংগী মরমদা খন্নবা; এয়রবোর্ন পার্টিকলশিংবু ফজনা শেংদোকপা ঙম্বা HEPA প্যুরিফাইয়রশিং অমসুং UV দিসইনফেক্সন লেম্পশিং শীজিন্নহন্নবগী থৌরাং পায়খৎপা দরকার ওই।

অসিগুম্বা থৌরাংশিংসি পায়খৎপনা রেস্পিরেটরি ভাইরসশিংদগী ঙাকথোকপখক্তা নত্তনা, ইমুংগী কাশিং অমসুং ওফিসশিংগী নুংশিৎপুসু শেংহনগনি। মরম অসিনা, মসিনা হকশেলগী লম্‌দসু হেন্না কান্নবা পীগনি হায়না থিজিনবগী চেরোলদুদা পল্লি। করিগুম্বা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা লোইখ্রবসু মীয়ামগী হকশেল অমসুং অতোপ্পা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোক্নবগীদমক চেকশিন থৌরাংশিংসি মখা তানা লৌখৎফম থোকই। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা হায়বসিদি ওইথোক্তবা অমা ওইবা য়াই। মরমদি মীশিংগী মরক্তা মিটর অমদগীনা অনী ফাওবা লাপ্না লৈবা হায়বসি মতম চূপ্পদা ওইথোক্লোই। অদুনা মথক্তা পনখ্রিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসিনা খ্বাইদগী ফবা পান্থেশিং ওইগনি হায়বসি থিজিল্লোইশিংগী অমত্তা ঙাইরবা থাজবনি। ●

# বর্লিন ওলিম্পিক অমসুং হিটলর (১৯৩৬) # ২

- লৈশাংথেম অজিৎ -

টিমশিংগী চান-থক্নবা, নোর্থ জর্মন লোয়দ-লাইননা শিল্লম্মী। ফুরুপশিংগী হৈন-হৈনবা অপাম্বা মতুংইন্না তোঙান-তোঙানবা চিঞ্জাক পীরম্মী, য়ু এস এগী টিমদা অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চারাদা ষণ অমসুং য়াও হাতম থোংবা পীরম্মী। চিলিগী টিমদা কমলাগী হৈঙাল, ইন্দিয়াগী টিমদা শঙ্গোম, ইটালি অমসুং ফ্রান্সকী এথলিটশিংদা য়ু অমদি হোলেন্দ অমসুং বেলজিয়মগী শান্নরোয়শিংদা বিয়ার মরাং কায়না ফংহল্লম্মী। ইন্দিয়াগী টিমগী মেম্বর অমদা শঙ্গোম লিটর অনীগী চাংদা পীথল্লম্মী।

গেমস হৌদ্রিঙৈদা রেদিওগী শোর্ট ৱেভতা জর্মন মরোল তম্নবা পাড়া নাইনা শন্দোক্লম্মী। বর্লিন ষ্টেসন্দা ইংলিস, ফ্রেন্স, ইটালিয়ন, সুইদিস লোল মরি অসি তম্নবা পাড়াসু শন্দোক্লম্মী।

ওগষ্ট ১, থাংজ নুমিত্তা ১১শুবা কালেনগী ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী কুম্মৈ য়েংনবগীদমক্তা বর্লিন মচাশিং অমদি মপান লমগী মচাশিংনা অয়ূক অঙনবদগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা লাকপা হৌনরম্মী। নুমিৎয়ুংবা মতুংদদি মীয়াম্না চিক্ন-চাইনবা ঙমদনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা ষ্টেদিয়ম অদু মীনা পীক থল্লম্মী।

ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিং হিটলরগা লোয়ননা মরাথন গেট (থোংজাও) লোমদগী ষ্টেদিয়মদা চঙলকপদা থোংজাওগী নাকল অনীদা লৈবা 'টৱার' অৱাংবা শগাইশিং অদুদগী ৱেগনরগী ঈশৈ 'মার্চ ওফ হোমেজ' হায়বা অদু খোংলম্মী। ষ্টেদিয়ম হেক চঙলকপদা ফ্যুহ্‌র-হিটলরবু নুপীমচা অমনা লৈ চবুন অমা খুদোল তমদুনা ওক্লম্মী, মথংদা মহাক্না ফম্ফম হেক লৌখিবগা Deutchland Uber Alles অমসুং Horst Wessel Lied হায়বা ঈশৈ অনী অদু তিল্লিবা মীয়াম্না শক্তুনা মহাকপু ওক্লম্মী।

ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারিবা লৈবাক ৪৯গী ফিরাল ষ্টেদিয়মগী অকোয়বদা চপ মান্ননা মতম অমত্তদা চিংখৎতুনা পাইহল্লম্মী অমদি টন ১০ লূম্বা ওলিম্পিক্কী অচৌবা শরিক অমা খিংলম্মী। শরিক অদুগী খোন্থাংনা মালেমগী নহারোলশিংবু কৌবগুল্লম্মী, নহারোলশিং শান্নবদা পুকচেল তিংনা লম্বা তৌনদুনা মালেমদা খৎন-চৈনবা লৈহনগুমসি হায়বগুম্না তিল্লিবা মীয়ামগী নাকোংদা তাহল্লম্মী। শরিক অদুগী মপান অকোয়বদা Ich Rufe Die Jugend Der Welt হায়না ইরি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি ঐনা মালেমগী নহারোলশিংবু কৌরি। গ্রিসনা মার্চ পাষ্টতা খ্বাইদগী মমাঙ থানা চৎলম্মী। জর্ম্মনিনা চৎনবী মতুংইন্না অরোইবদা চত্তুনা হিটলরদা নাজিগী সলাম তৌরম্মী। ফ্রান্সকী টিমসু হিটলরগী মমাঙ লান্থোকপা মতমদা মখূৎ নাম্মা তিংথোক্তুনা ইকায়খুম্নবা উৎলম্মী, মদুদা জর্ম্মন ভাবকশিং অদু হরাওরম্মী। মরমদি মখোয়না ওলিম্পিক্কী সলামবু নাজিগী সলামনি হায়না লৌরম্মী। মসিদা আই ও সীগী চপ চাবা কাঙলোন অমা চৎহনবা তৌদে, ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা চৎনবী লৈজে। য়ু এস এগী ফিরাল অতোপ্পা লৈবাক্কী নিংথৌ নৎত্রগা প্রসিদেন্টগী মমাঙদা হাইথদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা য়াদে। মরম অদুনা মখোয়গী তুপী অদু থম্মোয় মপাদা থনম্মী, ফিরাল হাইথরমদে। নাজিগী সলাম উৎলমদে, ভাবকশিং অদুনা হুইসেল খোংদুনা লাউরম্মী। য়ুরোপ্তুদি অসুম্না হুইসেল খোংবা অসি য়ানীংদে হায়বা উৎপনি। ন্যুজিলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা মখোয়গী তুপী লৌথোক্লম্মী। গ্রেট-বৃটেননা হিটলরগী মপা য়ৌরকপদা য়েৎলোমদা হায়বদি চাঙ্গেল্লররোমদা মান্ননা য়েংদুনা 'অইজ রাইট' তৌরম্মী।

বর্লিন ওলিম্পিক ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী চ্যেরমেন ডাক্টর লিৱালদনা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ৱা খরা ঙাঙলবা মতুংদা হিটলরনা ১১শুবা ওলিম্পিক গেমস হৌদোক্লে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা খুনু লিশীং লিশীং থাগত্তুনা ওলিম্পিক্কী ফিরাল চিংখৎলম্মী। মতম অসিমক্তদা তোঙানবা মশক-মতৌ ফজবা বর্লিন মচা সিলগেন কৌবা পাখং অমনা ত্রেক্কী অকোয়বদা মৈরা পুদুনা চেল্লবা মতুংদা ষ্টেদিয়মগী নোংচুপ্তা লৈবা থাক-থাক্তা চেনখৎতুনা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা ঙাইহাক্তং লেপ্লগা অচৌবা কম্বী অমদা মৈ অদু চুখৎখি। মপূক্নিংদা তু-চুংবা ফাওনা মীয়ামনা খূবাক খুখি। মৈরা অদু মমাঙঙৈদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লম্বা গ্রিসকী ওলিম্পিয়া কৌবা মফমদা জুলাই ২০দা মাইবীশিংনা নুমিৎকী মৈশাদগী চুখৎখিবনি। মৈ অদু লমজেল চেনবা ৩০০০না শিন্ন-শিন্নদুনা মৈরা ওইনা কিলোমিটর ৩০০০ লাপ্না বর্লিন তান্না পুরকখি। ওলিম্পিয়াদগী মৈরা পুদুনা ওলিম্পিক্কী অহৌবা নুমিত্তা ষ্টেদিয়মদা থম্বা কম্বী অচৌবা অমদা চুখৎপগী চৎনবী অসি বর্লিন ওলিম্পিক্তা হৌদোকখিবনি। ৱাখল অসি এথেন্সকী অর্কিওলোজিকেল ম্যুজিয়মগী দাইরেক্টর অলেকজেন্দর ফিলাদেলফসনা পুথোকপনি। মৈরা অসি ওলিম্পিক লোইদ্রিবা ফাওবা চাক্তুনা লৈগনি।

থোইদোক্না ৱারীনবা য়াব থৌদোক অমসু মৈ হেক চুখৎখিবগা তিল্লরিবা মীয়াম অদুনা উরম্মী মদুদি কুমজা ১৮৯৬তা পাঙথোকখিবা অহানবা ওলিম্পিক গেমসকী মরাথন্দা মকোক ওইখিবা গ্রিস মচা স্পিরিদন-লুইনা গ্রিসতগী চোরফোন মসা মচা অমা পুরক্তুনা শান্তিগী খুদম ওইনা ফ্যুহ্‌র-এদোল্ফ-হিটলরদা শিন্নখি। স্পিরিদন-লুই লাকপনা ওলিম্পিক্কী মগুন হেঙ্গৎহনখি।

অরুম্বা থাঙ্গৎপা রোদোলফ-ইজমেরনা এথলিটশিংগী মমিংদা ৱাশক লৌরবা মতুংদা আই ও সীগী প্রসিদেন্টনা বেরোন-দি কর্বতিনগী পাউজেল মীয়ামদা পাথোক্লমই।

ওলিম্পিক পাঙথোক্লিঙৈদা এরোপ্লেন অমত্তা ষ্টেদিয়মদা অমদি অতৈ অতৈ শান্নফমগী মথক লান্না পাইহল্লমদে অদুবু হিদেনবর্গ কৌবা এয়রসিপ অদুদি ওলিম্পিক্কী ফিরাল পুদুনা ষ্টেদিয়মগী অকোয়বদা পাইদুনা লৈ।

বর্লিন ওলিম্পিক্কী ৱারীগা থান্নবা য়াদবা শান্নরোয়দি অমেরিকাগী (অমেরিকান অফ্রিকান) জেমস-ক্লেভলেন্দ-ওৱেননি, মহাকপু Jesse হায়না খঙনৈ। মরমদি মহাক্কী মমিং অশম্বদা J.C. Owen হায়না কৌনবা অদুদা Jesse হায়না চৎখিবনি। ওলিম্পিক অসিদা মহাক্না মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমসুং ৪ x মিটর ১০০ রিলে অমসুং লোঙজম্পদা সনাগী মেদল মরি ফংদুনা ওলিম্পিক্তা মীওইবনা তৌঙমদবা থবক অমা পাঙথোকপদা নত্তনা হিটলরগী অর্য্যশিংনা মীওইবা কাঙলূপ খুদিংদগী হীরম খুদিংমক্তা হেল্লি হায়বা মালেমদা উৎনীংবা ৱাখল অদু থুদেকখি।

কুমজা ১৯৩৩দা ওৱেনসনা সেকেন্দরি স্কুল তল্লিঙৈদা নোংমা গজ ১০০বু সেকেন্দ ৯দা মালেমগী রেকোর্দকা চপ মান্ননা চেন্দুনা মহাক্কী লমজেলগী ওজা চার্লস-রাইলেবু ঙকহল্লম্মী। মসিদগী অমুক্কা হেন্না ঙকপদি কুমজা ১৯৩৫গী মে ২৫দা য়ু এস এগী এন-এবোর কৌবা মফমদা মিনট ৪৫গী মনুংদা মহাক্না মালেমগী রেকোর্দ মঙা থমখি।

ওৱেন, অতৈ কুচু ঙৌবশিংনা মখোয়বু হন্থনা য়েংবগী চৈনা ফংদবা নত্তে, মশামক মীনাইগী মশুনি, অঙৌবা লৌ-মপুনা মপা মিষ্টর হেন্নরি ওৱেনবু লৌশাল হেঙ্গৎলু হায়বদা য়াদবদগী অলবামাদগী ওহায়োদা হোংলকপা মতমদা ৱানা লেনখিবা মহাক কাউবা য়াদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।